# অহানবা ষ্টেট লেভেল মিনি বোইজ ভোলিবোল টুর্নামেন্ট

## ক্বাটর ফাইনেলদা থেংনগদবা টিমশিং খঙবা লোইখ্রে

**এস এন এস**
**ইম্ফাল, এপ্রিল ১৮ঃ**
সোসিয়েল ৱেলফিয়র য়ুঠ ক্লব এস দব্লিউ ৱাই সি শমুশঙ সান্তিপুরনা শিন্দুনা ক্লব অসিগী গ্রাউন্দদা টিম ১১ না গ্রুপ মরিদা শরুক য়াদুনা চথরক্লিবা অহানবা কেস প্রাইজ ষ্টেট লেভেল মিনি বোইজ ভোলিবোল টুর্নামেন্ট ২০১৬ লিগ রাউন্দগী মেটচশিং ঙসি শান্নবা লোইশিনখিবগা লোয়ননা ক্বাটর ফাইনেলদা থেংনগদবা টিমশিং খঙবা লোইখ্রে।

ক্বাটর ফাইনেলগী মেটচশিং হয়েং শান্নগনি। অহানবা ক্বাটর ফাইনেল মেটচতা এস দব্লিউ ৱাই সি সন্তিপুর অমদি এন ৱাই ভি এ(এ) নাউরেম্না অনীশুবা ক্বাটর ফাইনেল মেটচতা ঐচ ৱাই দি সি এল হৈক্রুজম অমদি এন ৱাই ভি এ (বি) গী নাউরেম, অহুমশুবা ক্বাটর ফাইনেল মেটচতা পি বি এম নাউরেম ৱাংজিং অমদি এস য়ু দব্লিউ সি ইরেংবম অমদি মরিশুবা ক্বাটর ফাইনেল মেটচতা ৱাই পি ইশোক অমদি এস ৱাই দি এ মুতুম ফিবৌ শান্নরগনি।

ঙসি শান্নখিবা তোঙান তোঙানবা গ্রুপকী লিগ মেটচশিংদা এস য়ু দব্লিউ সি ইরেংবম্না ৱাই পি সি ইশোক সেট ৩–০ (২৫–১৬,২৫–১২,২৫–১৯) দা , ৱাই পি সি ইশোক্না এন ৱাই ভি এ (বি) নাউরেম সেট ৩–১ (২৫–১৯,১৯–২৫,২৫–১৮,২৫–১৪) দা অমদি এন ৱাই ভি এ (বি) নাউরেম্না আই জি ও ওইনাম সেট ৩–০ (২৫–২০,২৫–২২,১১–২০) দা মায়থিবা পীখি।

# তোংব্রম মেমোরিয়েল ভেটরান কিক্রেট টুর্নামেন্ট

## মোদেল ক্লব এ না চেম্প খাগেমপল্লি ৱিকেট ৩ দা মায়থিবা পীখ্রে

**এস এন এস**
**ইম্ফাল, এপ্রিল ১৮ঃ**
মণিপুর ভেটরান ক্রিকেট এসোসিয়েসন্না শীন্দুনা লংথবাল পব্লিক গ্রাউন্দদা চত্থরিবা অহানবা তেংব্রম শুবোল মেমোরিয়েল ভেটরান ক্রিকেট ২০১৫–১৬ ঙসি শান্নখিবা মেটচতা মোদেল ক্লব এ চিংঙামখানা চেম্প খাগেমপল্লি ৱিকেট ৩ দা মায়থিবা পীখ্রে।

মেটচ অদু চেম্পনা তোচ ঙম্লগা হান্না বেটিং খনখি। ইনিংস অদুদা চেম্পনা ওভর ২৬ তা ৱিকেট পুম্নমক আউত ওইরগা রন ১৭৩ লৌখি।

ইনিংস অদুদা ইমোনা বোল ৪৩ দা রন ৪৩, রতন্না বোল ২৭ দা রন ২৪, গিটনা বোল ১৬ দা রন ১৯ অমদি তেগবন্তনা বোল ৭ দা রন ১৫ লৌখি।

মোদেল ক্লবকী বোল্লর হোমেশ্বর, মুজিবুর, ইকবাল, তোম্বা অমদি শমুনা ৱিকেট অমমম লৌখি।

মোদেল ক্লব না অনীশুবা ইনিংসকী বেটিং তৌখিবদা চেম্পনা থল্লমখিবা পান্দম রন ১৭৪ অদু ওভর ২৯.১ দা ৱিকেট ৭ আউত ওইরগা রন ৩ হেল্লগা ৱিকেট ৩ দা মায় পাকখিবনি।

ইনিংস অদুদা মুজিবুরনা বোল ৯১ দা রন ৯৩ , তোম্বনা বোল ২৩ দা রন ৩২, শমুনা বোল ৩১ রন ১৫ অমদি ইকবালনা বোল ১৩ দা রন ১০ লৌখি।

চেম্পকী বোল্লরনা রতন, রজিপ অমদি বিসেশ্বরনা ৱিকেট অমমম লৌখি।

মেন ওফ দি মেটচনা মোদেল ক্লব এ গী মুজিবুরনা আউত ওইদনা বোল ৯৩ দা রন ৯৩ লৌদুনা তাখি। হয়েং দি এস য়ু অমদি কে এস সি শান্নরগনি।

# অনীশুবা লম্লাই কেন্দ্র ভিলেজ ৱাইজ ফুটবোল টুর্নামেন্ট

## ৱাই দি সি এল না সি ঐচ ৱাই য়ু সি মায়থিবা পীখ্রে

**এস এন এস**
**ইম্ফাল, এপ্রিল ১৮ঃ**
এফ সি লম্লাইনা শীন্দুনা এল এস আই সি প্লে গ্রাউন্দদা টিম ১৮ না গ্রুপ মরিদা শরুক য়াদুনা অনীশুবা লম্লাই কেন্দ্র ভিলেজ ৱাইজ মেন ওপন ৭ এ সাইদ ফুটবোল টুর্নামেন্ট ২০১৬ ঙসি শান্নখিবা তোঙান তোঙানবা গ্রুপকী লিগ মেটচশিং ৱাই দি এ পুমদোংবম্না সি ঐচ ৱাই য়ু সি চলৌ গোল ৪–২ দা অমদি এন এস এ নোঙ্গ্রেন অমদি এস পি ৱাই য়ু সি সৈজাং গোল ১–১ দা দ্রো ওইখ্রে।

অহানবা মেটচতা গ্রুপ বি গী এস পি ৱাই সি সৈজাং অমদি এন এস এ নোঙ্গ্রেন্না শান্নখিবা মেটচ অদুগী এন এস এ গী গোল অদুনা নাউচানা ৪২ শুবা মিনটতা চনখিবনি। এস পি ৱাই সি গী দ্রো ওইহনখিবগী গোল অদুনা লালিটনা ৪৪ শুবা মিনটতা চনখিবনি। এস পি ৱাই সি গী ললিটতা রেফরিনা ৪০ শুবা মিনটতা য়েল্লো কার্দ অমা পীখি।

ৱাই দি সি এল পুমদোংবম অমদি সি ঐচ ৱাই য়ু সি চালৌনা শান্নখিবা গ্রুপ সি গী মেটচতা ৱাই দি সি এল না গোল ৪–২ দা মায়থিবা পীখ্রে।

ৱাই দি সি এল গী গোলশিং অদু তেলহৈবনা ৩৭ অমদি ৪৮ শুবা মিনটতা অনী, দব্লিউ বিনোদ খানা অমদি ঙোচাবিনা ২৪ অমদি ২৫ শুবা মিনটতা অমমম চনখিবনি।

সি ঐচ ৱাই য়ু গী গোল অনী অদুনা এস মাইঙৌ অমদি মনিসনানা ২০ অমদি ৩৫ শুবা মিনটতা অমমম চনখিবনি।

# নেসনেল আর্ম রেষ্টলিংদা শরুক য়াগদবা শান্নরোইশিং খনখ্রে

**এস এন এস**
**ইম্ফাল, এপ্রিল ১৮ঃ**
মহারষ্ট্রগী নাগপুরদা মে ২০ দগী ২৪ ফাওবা পাংথোক্কদৌরিবা ৪০ শুবা নেসনেল আর্ম রেষ্টলিং চেম্পিয়নসিপ ২০১৫ দা শরুক য়াগদবা আর্ম রেষ্টলর অমদি ওফিসিয়েলশিং লাউথোকখ্রে।

শান্নরোইশিং অসি চৎলিবা থা অসিগী ১ দগী ৩ ফাওবা মোদেল ক্লব চিংঙামখাদা পাংথোকখিবা ৩৪ শুবা ষ্টেট আর্ম রেষ্টলিং চেম্পিয়নসিপ ২০১৫ দা পীখিবা পার্ফোমেন্সতা য়ুম্ফম ওইরগা নেসনেল চেম্পিয়নসিপকীদমক খনখিবনি হায়না মণিপুর আর্ম রেষ্টলিং এসোসিয়েসন্নগী সেক্রেটরী কে ঐচ নবন্দ্র সিংহ না ঙসি প্রেসতা থাদোরকপা চেরোল অমনা খঙহল্লক্লি।

খল্লবা আর্ম রেষ্টলর অমদি ওফিসিয়েলশিংগী মিং নাকলদা পীরি হায়না মণিপুর আর্ম রেষ্টলিং এসোসিয়েসন্না প্রেসতা থাদোরকপা চেরোল অমনা খঙহল্লক্লি।

খল্লবা আর্ম রেষ্টলরশিংনা থা অসি গী ২১ অয়ুক্কী পুং ৮ তাবা মতমদা শিংজমৈ লৈশাংথেম লৈকায়দা লৈবা ইন্দোর ষ্টেদিয়ম য়াৱা কোচিংগীদমক আর্ম রেষ্টলিং জিম শিংজমৈদা কোচিংগীদমক রিপোর্ট তৌরগদবনি হায়না চেরোল অমসিনা মখা তারক্লি।

The armwrestlers are :

| Sl. No | Name | Wt. Cat. | Unit | Sl. No | Name | Wt. Cat. | Unit |
|---|---|---|---|---|---|---|---|
| | Junior Girls | | | | Women | | |
| 1. | S. Sarjubala Devi | 45Kg | E.K. Gym | 25. | N. Rojimala | 55 Kg. | E.K.Gym. |
| 2. | K. Premila | 50Kg | E.K. Gym | 26. | L. Chachalkumari | 60 Kg | E.K. Gym. |
| 3. | L. Romita | 55kg | E.K. Gym | 27. | Ch. Sunibala | 60 Kg. | MPSC |
| 4. | P.Jaya Devi | 55 Kg | Model Club | 28. | E. Kabita | 65 Kg. | E.K. Gym |
| 5. | Y.Chaoba Devi | 60Kg | E.K. Gym | 29. | L. Pushparani | 65 Kg. | Unique Gym |
| 6. | Th. Queenson | 70Kg | E.K. Gym | 30. | M. Memcha | 70 Kg. | MPSC |
| 7. | Th. Menaka | 70Kg | E.K. Gym | 31. | S. Premila Devi | 70 kg | MPSC |
| | Junior Boys | | | 32. | S. Aruna | 80 kg | E.K. Gym. |
| 8. | Ksh. Nono | 60Kg | E.K. Gym | 33. | S. Inao Devi | 80 Kg | E.K. Gym. |
| 9. | Benjamin Kamei | 60 Kg | MYASA | 34. | Sh. Shanti | 80+ Kg | E.K. Gym |
| 10. | O. Tony | 65 Kg | MYASA | 35. | N. Echal | 80+ Kg | E.K. Gym. |
| 11. | Yaiphaba Meitei | 65Kg | MABOY | | Men | | |
| 12. | N. Khandrajit | 70 Kg | MYASA | 36. | Th. Bidyabushan | 60 kg. | MPSC |
| | Master | | | 37. | Benzamin Kamei | 60 Kg | MYASA |
| 13. | Kh. Budha | 70 kg | E.K. Gym | 38. | L.Chitreshwor | 65 Kg. | MPSC |
| 14. | Th. Rajen | 70Kg | MPSC | 39. | H. Dipu | 70 Kg. | MYASA |
| 15. | M. Jiban | 80 Kg | MPSC | 40. | Alin Kamei | 70 Kg. | MYASA |
| 16. | Th. Okendro | 80 Kg | MPSC | 41. | Th. Okendro | 75 Kg | MPSC |
| 17. | K. Bijen | 90 Kg | MYASA | 42. | M. Jiban | 80 Kg | MPSC |
| 18. | K. Dhanabir | 90 Kg | MPSC | 43. | T. Randow | 80 Kg | MABOY |
| 19. | Th. Sharat | 100Kg | E.K. Gym | 44. | Th. Milan | 85 kg | MABOY |
| 20. | Kh. Sanjit | 100Kg | MYASA | 45. | Th. Surchandra | 85 Kg | MABOY |
| 21. | Th. Tondon | 100+Kg | MPSC | 46. | Th.Sarat | 100 Kg | E.K. Gym. |
| | Women | | | 47. | Th. Tondon | 110 Kg. | MPSC |
| 22. | RK. Tamphasana | 50 Kg | MPSC | 48. | Kh. Sanjit | 110 Kg | MYASA |
| 23. | I. Aneshwori Devi | 50 Kg | Model Club | | | | |
| 24. | L. Romita Devi | 55 Kg | E.K. Gym. | | | | |



অফগানিস্থানগী কোচ ওইরম্বা পাস্টিটানগী মতম অমগী শান্নরোই ইঞ্জমাম – উল হক পাস্টিটানগী চিফ সেলেক্টর ওইননবা পি সি বি না খন্নরি।



টি–২০ ক্রিকেটতগী পোথাখ্রবা শ্রীলঙ্কাগী স্পিন্নর রঙ্গনা হেরা থোক

# সেকেন্দ দিভিজন আই লিগ ফাইনেল রাউন্দগী

## পোইন্ট টেবল অমদি মেটচশিংগী রিজল্টশিং

Results and fixtures for group A

| Date | Home | Score | Away |
|---|---|---|---|
| 26/03/2016 14:00 | Gangtok Himalayan SC | 0 - 1 | Dempo Sports Club |
| 27/03/2016 15:15 | Mohammedan Sporting | 1 - 0 | LoneStar Kashmir FC |
| 29/03/2016 14:00 | Neroca FC | 0 - 0 | Minerva Academy FC |
| 01/04/2016 14:00 | Gangtok Himalayan SC | 1 - 1 | LoneStar Kashmir FC |
| 02/04/2016 14:00 | Neroca FC | 2 - 0 | Dempo Sports Club |
| 03/04/2016 15:00 | Mohammedan Sporting | 1 - 2 | Minerva Academy FC |
| 06/04/2016 14:00 | Neroca FC | 2 - 1 | LoneStar Kashmir FC |
| 07/04/2016 14:00 | Gangtok Himalayan SC | 0 - 0 | Minerva Academy FC |
| 07/04/2016 15:00 | Mohammedan Sporting | 0 - 0 | Dempo Sports Club |
| 13/04/2016 16:00 | Minerva Academy FC | 0 - 1 | Dempo Sports Club |
| 14/04/2016 18:00 | LoneStar Kashmir FC | 0 - 0 | Mohammedan Sporting |
| 16/04/2016 14:00 | Gangtok Himalayan SC | 1 - 1 | Neroca FC |
| 18/04/2016 16:00 | LoneStar Kashmir FC | 0 - 1 | Dempo Sports Club |
| 23/04/2016 15:00 | Mohammedan Sporting | vs | Gangtok Himalayan SC |
| 23/04/2016 16:00 | Dempo Sports Club | vs | Neroca FC |

Final Round A

| RA | Team | Pts | Pld | W | D | L | GF | GA | GD |
|---|---|---|---|---|---|---|---|---|---|
| 1 | Dempo Sports Club | 10 | 5 | 3 | 1 | 1 | 3 | 2 | 1 |
| 2 | Neroca FC | 8 | 4 | 2 | 2 | 0 | 5 | 2 | 3 |
| 3 | Minerva Academy FC | 5 | 4 | 1 | 2 | 1 | 2 | 2 | 0 |
| 4 | Gangtok Himalayan SC | 3 | 4 | 0 | 3 | 1 | 2 | 3 | -1 |
| 5 | Mohammedan Sporting * | 1 | 3 | 1 | 1 | 1 | 2 | 2 | 0 |
| 6 | LoneStar Kashmir FC | 1 | 4 | 0 | 1 | 3 | 2 | 5 | -3 |



৩২ শুবা ষ্টেট এজ গ্রুপ এক্বাটিক চেম্পিয়নসিপকী ওভর ওলগী রন্নর্স অপ তাখ্রবা এম জি এম সি গী শান্নরোই অমদি ওফিসিয়েলশিংনা ত্রোফি লৌখিবা

# অম্ফাগী প্রসিদেন্টকী মীখলদা রঘুমণি অমদি সনাতোন লম্বা তৌনরগনি

**এস এন এস**
**ইম্ফাল, এপ্রিল ১৮ঃ**
এল মণিপুর ফুটবোল এসোসিয়েসনগী থা অসিগী ২৪ দা পাংথোক্কদৌরিবা ওফিস বিয়ার খনবগী মীখলগী নোমিনেসন পেপর পীশিনবা মতম ঙসি লোইশিনখ্রে।

প্রসিদেন্ট অমা, ভাইস প্রসিদেন্ট মঙা অমদি ট্রেজর অমা খনগদৌরিবা মীখল অসিগীদমক প্রসিদেন্টগীদমক মীওই অনি, ভাইস প্রসিদেন্টগীদমক মীওই মিপান অমদি ট্রেজরগীদমক মীওই অমনা নোমিনেসন পেপর পীশিনখি।

প্রসিদেন্টগীদমক সেনাপটি দিষ্ট্রিক্টতগী লাকপা পি রঘুমণি সিংহ অমদি ইম্ফাল ৱেষ্ট দিষ্ট্রিক্টতগী লাকপা এস সনাতোন সিংহ না লম্বা তৌনগদৌরি।

ভাইস প্রসিদেন্টগী ওইনা ইম্ফাল ইষ্টকী দব্লিউ মণিহার, থৌবালগী এস শ্যামো সিংহ , চুরাচান্দপুরগী লাবুনিয়েন জৌতে, বিষ্ণুপুরগী কে য়াইমা সিংহ, ককচিংগী ৱাই মঙ্গোলজাও সিংহ, সদর হিলসগী তোংজহাও কিপজেন, উখ্রুলগী ৱুংপম কসর অমদি তমেংলোংগী অদি রাইমৈনা লম্বা তৌনগদৌরি।

ট্রেজরগীদমক জিরিবামদগী লাকপা এল দিনমণি সিংহ নত্তনা অতোপ্পা মীওই অমত্তনা ফম অসিগীদমক নোমিনেসন পেপর পীশিল্লকখিদে হায়না আর ও না প্রেসতা থাদোরকপা চেরোল অমনা ফোংদোরক্লি।










Printed and Published by Waikhom Meghachandra Singh on behalf of Nongpok Publishers Pvt.Ltd from Sega Road, Konjeng Hazari Leikai, Imphal West, Imphal-795001, Manipur. Printed at Advance Printers, Sega Road, Konjeng Hazari Leikai, Imphal West, Imphal-795001, Manipur. Editor: **H. Achouba Sharma,** Jt. Editor: N. Krishnamohon Singh RNI Registration No. 31350/ 77; Tel # 2459064, *e-mail : sanaleibakdaily@yahoo.com, sanaleibakdaily2008@gmail.com*